


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, MARCH 08, 2018 **PAGE 7**


*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দেয়রদেভিলসকী কেপ্টেন ওইবগী থৌদাং লৌগদৌরিবা মমাঙদা কোলকতা নাইথ রাইদর্সতা চহী ৭ শান্নরম্লগা গৌতম গম্ভির*

*ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী হায় পার্ফোমেন্স দিরেক্তর ওইনা চহী ৪ থৌ পুরম্লবা মতুং কোচ ওইনা মতম খরা থবক তৌরম্লগা নৌনা পাকিস্তানগী কোচ ওইনা চহী অনীমখায়গী কন্ট্রেক্ত ইনখ্রবা রোলেন্ট ওল্টমেন্টস*

## আর্চরি এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়াগী মুস্কান কিরার অমসুং প্রোমিলা দাইমারিনা কম্পাউন্দ অমসুং রিকর্ভ ইন্দিভিজুয়েলগী গোল্ড ফংখ্রে

*বেঙ্কোক, মার্চ ০৭ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা আর্চরি এসিয়া কপকী নুপীগী কম্পাউন্দ অমসুং রিকর্ভ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী আর্চর মুস্কান কিরার অমসুং প্রোমিলা দাইমারিনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।




*আর্চরি এসিয়া কপ্তা কম্পাউন্দগী গোল্ড মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী আর্চর মুস্কান কিরার (ময়ায়)*

ইন্দিয়াগী মুস্কান কিরারনা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা আর্চরি এসিয়া কপকী নুপীগী কম্পাউন্দ কম্পিটিসনদা মালেসিয়াগী আর্চর জকারিয়া নাধিরাবু পোইন্ট ১৩৯–১৩৬ তা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা আর্চর প্রোমিলা দাইমারিনা নুপীগী রিকর্ভ ইভেন্টকী ফাইনেলদা রুশিয়াগী আর্চর অরদাইনিএভা নটালিয়াবু পোইন্ট ৭–৩ দা হেন্দুনা গোল্ড মেডল অমসু লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী আর্চরি টিমগী মায়কৈদগী মুস্কান কিরার অমসুং প্রোমিলা দাইমারিনা মথংশিংনা নুপীগী কম্পাউন্দ অমদি রিকর্ভ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী আর্চর মধু বেদৱান অমসুং নুপাগী আর্চর গৌরভ ত্রাম্বাক লাম্বেনা মথং শিংনা নুপীগী অমসুং নুপাগী রিকর্ভ ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

নুপীগী রিকর্ভ ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল মেটচকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী মাধু বেদৱাননা মোঙ্গোলিয়াগী আর্চর অল্টান জেরেল এংতুয়াবু পোইন্ট ৬–৫ তা মায়থিবা পীরগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি।

অমরোমদা নুপীগী রিকর্ভ ইভেন্টকী ব্রোঞ্জ মেডল মেটচতা ইন্দিয়াগী আর্চর গৌরব ত্রম্বাক লাম্বেনা মালেসিয়াগী আর্চর কামারুদ্দিন হাজিকপু মায়থিবা পীরগা মেডল অদু ফংখিবনি।

আর্চরি এসিয়া কপ অদুদা ইন্দিয়াগী আর্চর য়াস্বি উপাধে, দিবিয়া ধায়ল অমসুং হিরালে শ্রিনল অনিল ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা মেডল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈখিদবনি।

## ফেদরেসন কপ এঠলেটিক্স টুর্নামেন্টতা দিল্লিগী টেজাস্বিন সঙ্করনা হাই জম্প ইভেন্টতা অনৌবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থম্লগা গোল্ড লৌখ্রে

*পাটিয়ালা, মার্চ ০৭ঃ*

পঞ্জাবগী সিটি পাটিয়ালাদা পাঙথোকপা ২২শুবা ফেদরেসন কপ এঠলেটিক্স টুর্নামেন্টতা দিল্লিগী এঠলিট টেজাস্বিন সঙ্করনা নুপাগী হাই জম্প ইভেন্টতা ইনিদয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।




মশাগী চহী ১৯ দা ঙাইরিবা টেজাস্বিন সঙ্করনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকীসু ক্বালিফাই ওইখি।

কুমজা ২০১৪ গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমসতা নুপাগী হাই জম্পকী গোল্ড মেডল ফংখিবা ইভেন্ট অসিগী মরেপ অদু মিটর ২.৩১ নি। টেজাস্বিন সঙ্করনা অৱাংবা অদু য়ৌগদবা সেন্টিমিটর ৩ খক ৱাৎখিবনা কম্মনৱেল্থ গেমস অদুগী রেকোর্দকা মান্নবা ঙমখিদবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপাগী হাই জম্পকী রেকোর্দঅদু দিল্লিগী এঠলিট টেজাস্বিন সঙ্করনা চহী ২ গী মমাঙদা মিটর ২.২৬ চোংলগা থমখিবা রেকোর্দ অদু ঙসি সেন্টিমিটর ২ হেনগৎলগা রেকোর্দ থমখি।

পনবা য়াবদি টেজাস্বিন সঙ্কর য়ুএসএদা কোলেজিয়েট সার্ক্যুটতা য়াম্না কুংবা কম্পিটিসন শরুক য়ারুরবা মতুং পাটিয়ালাগী ফেদরেসন কপ নেসনেল এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অদু শরুক য়ানবগীদমক পুং ২৪ এরোপ্লেন তোংদুনা লাকখিবনি।

মশাগী ফিটনেস অদু মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রিঙৈ পাটিয়ালাদা শরুক য়াখিবা হাই জম্প ইভেন্ট অদুদা টেজাস্বিন সঙ্করনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স অদু উৎপা ঙম্লবসু পোত্থাবগী মতম অদু খরা হেন্না লৈরম্লবদি মহাক্না চোংখিবা মিটর ২.২৮ কী রেকোর্দ অদুনা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ক্বালিফাই ওইদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইভেন্ট অদুদা মেডল ফংবা য়াবগী অচৌবা থাজবা লৈরি।

টেজাস্বিন সঙ্করগী মতুংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট সিদার্থ যাদবনা মিটর ২.২৫ চোংদুনা মহাকসু গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী ক্বালিফাই ওইখি।

গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলিট অদু নুপীগী মিটর ১০,০০০ লমজেলদা মিনট ৩২ঃ২৩.৯৬ তা চেন্দুনা গোল্ড ফংবদা নত্তনা কম্মনৱেল্থ গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরি। কম্মনৱেল্থ গেমসকী ওইনা নুপীগী মিটর ১০,০০০ গী ক্বালিফায়িং মতম অদু মিনট ৩২ঃ৩০ঃ০ নি।

নুপাগী দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা ধরমরাজ যাদবনা মিটর ৫৫.৩৫ লংলগা গোল্ড ফংখি। সিলভর অদুনা ক্রিপাল সিংহনা মিটর ৫৪.৫১ দা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা মিথ্রাবরুননা মিটর ৫৪.২৮ লংলগা লৌখিবনি।

নুপাগী মিটর ১০,০০০ গী লমজেলদা গোবিন্দন লক্ষমননা মিনট ২৯ঃ৩১.৭২ দা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা গাবিত মুর্লিনা মিনট ২৯ঃ৩৩.৮৫ তা লৌরগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা অভিসেক পালনা মিটর ২৯ঃ৩৪.৪৭ দা লৌখি।

নুপীগী ত্রিপল জম্প ইভেন্টতা সিনা এনভিনা মিটর ১৩.৩১ চোংলগা গোল্ড রেনুনা মিটর ১৩.২২ চোংলগা সিলভর অদুগা এমে সিবা অনবারাসিনা মিটর ১২.৯৫ চোংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীগী জেবলিন থ্রোদা অনু রানিনা মিটর ৫৭.৩৭ লংলাগা গোল্ড, পুস্পা ঝাখরনা মিটর ৫৩.৭০ লংলগা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ অদুনা সর্মিলা কুমারীনা মিটর ৫৩.৫৩ লংলগা লৌখিবনি।

নুপীগী পোল ভোল্টতা ভিএস সুরেখানা মিটর ৩.৯০দা গোল্ড লৌখি। অদুবু সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ অদুনা খিয়াতি ভাখারিয়া মিটর ৩.৮০ অমদি কৃষ্ণ রাচাননা মিটর ৩.৭০ চোংলগা ফংখিবনি।

নুপীগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা এল সুরিয়ানা মিনট ৩২ঃ২৩.৯৬ তা গোল্ড মেডল অদু ফংখি। মহাক্কী মতুংদা সঞ্জিবানি যাদবনা মিনট ২৩ঃ৩৬.৪৯ দা সিলভর মেডল ফংখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ অদুনা স্বাটি গাদেনা মিনট ৩৩ঃ৪৭.০২ দা লৌখি।



*মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংনা কোচ গোপিচান্দগা ৱা তান্নবা*

## সুল্টান অজলান সাহা কপ হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৫–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসনগী আশা থমখ্রে

*ইপো, মার্চ ০৭ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা মালেমগী নুপাগী হোক্কি টুর্নামেন্টশিংগী মনুং দা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুল্টান অজলান সাহা কপ হোক্কি টুর্নামেন্টকী ২৭শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইনিদয়ানা য়ুম্বু লৈবাক মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন ফংনবগীদমক আশা অমা থম্বা ঙমখ্রে।




*ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি শান্নরোইশিংনা মালেসিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্নবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

পুন্না লৈবাক ৬ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৩ দগী হৌরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌগনি হায়না চাউনা আশা তৌখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম মেটচ ৩ দা ২ মায়থিরগা১ দ্রো চৎলবা মতুং ঙসি য়ুম্বু লৈবাক মালেসিয়াগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্বদগী পাঞ্জল ৫–১ দা মায় পাক্তুনা মকোক থোংবা পোজিসন ২ য়ৌবা ঙমদ্রগসু অহুমশুবা পোজিসনদা লৈনবগী খুদোংচাবা অমা থম্বা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিলানন্দ লাক্রানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাং দোকখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা ক্বার্টর লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা ফুদোক্নরবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৩শুবা ক্বার্টরদা মালেসিয়াগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। টিম অদুগী শান্নরোই ফৈজাল সরিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদু লোইরমদাই মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী গুরজান্ট সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ২–১ দা হেনখি। মখা তানা লৈহৌবা মিনট ১৫ গী মরিশুবা ক্বার্টর অদুদা ইনিদয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরকপদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সুমিত কুমারনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল চল্লগা মালেসিয়াবু ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৩ লৈরগা ইন্দিয়াগী রমনদিপ সিংহনা অতোপ্পা ফিল্ড গোল অমা হাপচিল্লগা মালেসিয়াবু ৪–১ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল অদু শেম্বা লোইখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা গুরজান্ট সিংহনা মহাক্কী টিম্না শেমগৎলকপা এটেক অমদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ৫–১ দা হেন্দুনা লৈখিবা অদুনা মেটচকী অরোইবা স্কোর ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা আর্জেন্টিনাগা ইংলেন্দগা পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

২৭শুবা সুল্টান অজলান সাহা কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগা আয়রলেন্দগা শান্নগদৌরি।

## য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী লিভরপুল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*পেরিস। লন্দন, মার্চ ৭ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবকী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০১৭–১৮ গী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী লিভরপুল ক্লব য়ৌবা ঙমখ্রে।




*রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো (য়েৎ) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা*

ঙসি শান্নখিবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অনীশুবা লেগকী মেটচশিংদা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন লম্বা তৌনখি।

টিম অনীনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা লেগতা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ৩–১ দা থোইখি। মদুগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল অদুগী অনীশুবা লেগ অদুদা মেটচকী অহানবা হাল্ফ শান্নবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী এদিনসন কবানিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদু ওইখি।

পাঞ্জল মান্নরবসু টিম অনীগী অহানবা লেগতা স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ৩–১ দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদুগী অরোইবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা পাঞ্জল অমমম মান্নদুনা লৈখ্রগা মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরিঙৈ মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী কাসেমিরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনবু হৌগৎপা ঙম্লোইদবা ফিভমদা থমদুনা অনীশুবা লেগ অদুদা পাঞ্জল ২ চল্লগা মমাঙগী লেগকী স্কোর অদুগা পুশিল্লগা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৫–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অনীশুবা লেগতা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা য়ুম্বু ওইরগা পোর্টুগালগী ক্লব এফসি পোর্টোগা লম্বা তৌনখি।

নীংশিংবা য়াবদি টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু এফসি পোর্টোগা শান্নখিবদা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা পাঞ্জল ৫–০ দা য়াম্না হেন্দুনা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙসি এফসি পোর্টোনা ইংলেন্দগী লিভরপুলগী হোম গ্রাউন্দদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদুদা টিম অনীমক লম্বা মান্নবা শান্নবা হৌরকখিবনি।

ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলগী মায়কৈদগী পোর্টুগালগী এফসি পোর্টোগা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা লেগ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা মমাঙদা এফসি পোর্টোগা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিগী মেটচ অদুদা টিম অদুগী দিফেন্দরশিংগী মায়কৈদগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা এফসি পোর্টোগী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইহনখিদবদগী টিম অনীমক অনীশুবা হাল্ফ অদুদসু পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রবসু ইংলেন্দগী লিভরপুলনা পোর্টোবু অহানবা লেগকী মেটচতা পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা ৫–০ দা হেন্দুনা ইংলেন্দগী টিম লিভরপুল চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।